**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থি হুন্বগী থবক মখা তানা চত্থরি, য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

২) লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- নুপীশিংনা লম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ভারতপু চাওখৎ মাইকৈরোমদা পুশিল্লকি।

অমসুং

৩) আই.সি.সি. মেন্স চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ফাইনেলদা ঙসি ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ দুবাইদা থেংনরগনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমদি থি হুন্বগী থবক মখা তানা চত্থরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চীংখু চীংদা থি হুন্বগী থবক চত্থবদা ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু ২৬, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু মঙা, দিটোনেতর অমা অমদি অতৈ খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থব্রায় কুকি ভিলেজদা শারম্বা বঙ্কর অনি থুগাইখি। মণিপুর পুলিসনা থা অসিগী ৭ ককচিং

জিলাগী লমজাউ মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অমা ফাগৎখি।

ফৌগাকচাউ অৱাং লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হিরোইন পাউদর গ্রাম ১২৭ পুরম্বী নুপী অমা ঙরাং ফাগৎপা ঙমখি। হিরোইশিং অসি সাপোন কেস তরাদা হাপ্তুনা পুরম্বনি। মণিপুর পুলিসনা দ্যুলালেন্দদগী এন.আর.এফ.এমগী মীওই অমসু ফাগৎলে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- কাংপোকপগী গামগীফাইদা থোকখিবা থৌদোক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সকী পার্সোনেল ২৭ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা অনিগী ফিভম লুনা লৈরি। খোঙজং চংশিনখিবা মীওই ১৬ সু থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখি অমদি মীওই অমনা লৈখিদে। সেক্যুরিতি ফোর্সকী গাড়ি অনিসু খোঙজং চংশিনখিবশিংনা মৈ থাখি।

অমরোমদা, কৈবুল লমজাউ পুলিস, কৈরেনফাবী পুলিস, থাঙ্গ পুলিস, বিষ্ণুপুর কম্মান্দো অমসুং অনিসুবা মহা রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং থাঙ্গগী অকোইবদা ফ্লেগ মার্চ চৎখি।

অমরোমদা, জিরিবাম, তেংনৌপল, ককচিং, উখ্রুল, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, বি.এস.এফ অমদি আই.টি.বি.পিনা পুন্না ঙরাং থি হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা আই.ই.দি, গ্রেনেদ, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাদা শারম্বা বঙ্করশিংসু থুগাইখ্রে।

মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পি.আর.ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- জিরিবাম জিলাগী বিদ্যানাগর অমসুং নিউ আলিপুর ভিলেজশিংদা মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমদি সি.আর.পি.এফনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পম্প এক্সন সোটগন অহুম, দবল বেরেল রাইফল অমা অমদি অতৈ খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমরোমদা তেংনৌপল জিলাগী শিনামদা থি হুম্বগী থবক চথবদা ইন্সাস রাইফল অনি, করবাইন অনি, পিষ্টোল অনি, রাইফল অমা, ইমপ্রোভাইস মোর্তার মরি, আই.ই.দি ১৩, গ্রেনেদ য়াওনা অতৈ খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

ককচিং জিলাগী হঙ্গুলদগীসু করবাইন অমা, পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল বোল্ট রাইফল অমা ফাগৎখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাংকম্পুদা থি হুম্বগী থবক চথবদা পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

উখ্রুল জিলাগী লিতানদগীসু আইতিব্রান এম.এমগী মোর্তার অনি, ফিফতিব্রান মোর্তার অমা, ইমপ্রোভাইস মোর্তার অমা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা পোৎলমশিং অসি মণিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লিতরেসি (এল)ঃ নোংমগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসিগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনবা খঙহনবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী খাঙবোক খুনৌ লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেতিভ বেঙ্ক লিমিতেদনা নবার্দ ইম্ফাল অমদি বেদস্কো খাঙবোক্কা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- ঐখোয়গী অহেনবা শেলশিং বেঙ্কতা তুংশিনবগী হৈনবী থমগদবনি। মসিনা ঐখোয়গী লৈজরিবা শেনফম মচা পোকহন্দুনা অহেনবা শেনফম ফংবা ঙমগনি।

স্বিভ (এল)ঃ স্বিভ কেম্পেনগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবগী থৌরম অমা নোনে জিলাগী লোংমাইদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার নোনে অমসুং ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার নুঙবানা পুন্না শিনবনি।

চান্দেল (এল)ঃ লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলাগী চহি অসিগী অহানবা ওইনা নেসনেল লোক অদালট ঙরাং চান্দেলগী চীফ জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট কোর্ট অমদি মোরে কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা লুপা লাখ ৮ লিশিং ৩৪ হেনবগী কেস ১৩ লোইশিনখি।

কেম্প (এল)ঃ থা অমা চুপনা চথুরকপা ইন্টেন্সিফাইদ স্পেসিয়েল স্ক্রিনিংগী শরুক অমা ওইনা চহি ৩০ গী মথক্কী মীওইশিংদা লৌনগদনবা লায়না লৈব্রা খঙদোকপগী থৌরম অমা থঙ্গাল বজারদা লৈবা ভৈরোদান হাইস্কুলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নোন-কম্যুনিকেবল দিজিজ সেলনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

বিরলা ঃ লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- নুপীশিংনা লম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ভারতপু চাওখৎ মাইকৈরোমদা পুশিল্লক্লি।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙরাং পাঙথোকপা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরলানা হায়- ভারত সংবিধানগী ৭৫ শুরকপা চহিগী পালন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং মশক খঙবীবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়- লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা তুংগী মীরোলবু অফবা মাইকৈদা পুশিনবা ঙমগনি।

পিএম ঃ মাওরিসিয়সকী নেসনেল ডে সেলেব্রেসনদা অথোইবা আতিথি ওইনা শরুক য়ানবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি লৈবাক অদুগী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ থা অসিগী ১১ দগী হৌরগনি। ভারত নেভিগী অখন্নবা জহাজ অমা অমদি ইন্দিয়ান দিফেন্স ফোর্সগী কন্টিজেন্ট অমা থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি।

ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিস্রিনা হায়- চহি চা কয়াগী মমাংদগী হৌনা ভারত অমসুং মাওরিসিয়সকী মরক্তা অফবা মরী লৈরক্লি।

ক্রিকেট ঃ আই.সি.সি. মেন্স চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ ঙসি দুবাইদা শান্নগনি। টিম অনি অসি ২০২৩ গী আই.সি.সি. মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপগী সেমি ফাইনেলদা মুম্বাইদা শান্নখি। মদুদা ভারতনা রন ৭০ দা নিউজিলেন্দবু থোইখিবনি

অমরোমদা, নুপী প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেটকী ঙরাং লখনৌগী একনাথ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা য়ু.পি. ৱারিয়রসনা রোয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরবু রন ২২৬ তা থোইখ্রে।

কবাদি ঃ ভারতকী নুপীগী কবাদি টিমনা এসিয়ান চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমলে। ঙরাং টেহ্‌রানদা শান্নখিবা ৬ শুবা এসিয়ান ৱিমেন্স কবাদি চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেল মেটচতা ভারতনা য়ুম্নু ইরানবু পোইন্ট ৩২-২৫ মায়থিবা পীদুনা টাইটল অসি লৌখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতকী টিমনা মেটচ পুমমক থোইবা ঙমখি। ভারতনা নেপালবু থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফ্রি মুভমেন্ট থৌরাংদা অথিংবা পীরকপশিং তানখায়নবা হোৎনবদা মীওই অমা শিখিবা, কয়া অমনা অশোক অপন নংখিবা, ফোক্সকী শান্তিগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ সেকমাহ্‌দগী হলহনখ্রে অমসুং কুকিশিংগী য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী দিমান্দ সেন্তরনা য়াবা ঙমলোই হায়না অমিত সাহ্‌না খঙহল্লকখিবা ৱাফমনা ঙসিগী পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

লম্বী থিংবশিংদা সেক্যুরিতিনা খুৎ হনবদা অমা শিরে, ৩০ হেন্না শোক্লে, প্রোটেক্টরশিংনা গাড়ি অনি মৈ থাখি, সেক্যুরিতি ২৭ শোকখি, নোংমৈসু কাপশিল্লকখি হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ফোংদোরকপা ৱাফমা পোকফমগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি। কাংপোকপী ফাওরগা চৎকদবা সেনাপতিগী বসতা পেসেঞ্জর অনি তোংখি, চুরাচান্দপুরগীদি অমত্তা তোংখিদে হায়বা পাউ অমনা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি। কুকি জো তাবা মফমশিংদা মতম কত্তবা সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়না পাউ অসিগী মনুং চন্না সবহেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হোম মিনিষ্টরগী ফ্রি মুভমেন্টসু কাংপোকপী লান্দনা কৈথেলমানবীদা লোইশিনখ্রে, অথিংবা নমখায়নবা হোৎনবদা নহা অনি শিরে, সেকুঢ্যরতি পার্সোনেল য়াওনা মীওই কয়া শোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

ফোক্সকী শান্তিগী পাউজেল পুবা খোঙচং সেকমাইদগী হেন্না চৎহনখিদ্রে, মীয়ামগী খোঙচৎ মায় পাকপা অমনি, লান লোইদ্রি, শেম শারগা লৈবীয়ু হায়না ফোক্সকী প্রসিদেন্ট মনিহারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কুকিশিংগী য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী দিমান্দ য়াবা ঙমলোই হায়না অমিত সাহনা গর্ভনরদা ফোংদোকখিবা ৱাফম মোর্নিং বেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকিশিংগী দিমান্দদা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগী ফিরেপ- কুকিশিংগী য়ুনিয়ন তেরিতোরিগী দিমান্দ সেন্তরনা য়াবা ঙমলোই হায়না সনালৈবাক্কী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, হুইয়েন লানপাউ, পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, পিপলস ক্রোনিকল পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স ডেদা অমজ্না নুপী জরনেলিষ্টশিংবু ইকায় খুমবা উৎখি হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স ডেগী থৌরমশিং পাঙথোকখি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী এনকর কলমদা ফোংলি।

অহানবা নেসনেল লোক অদালট ২০২৫ দা লুপা ক্রোর ২ হেনবগী কেস লোইশিনখি হায়বা পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ম্যান্মারদা থা ১০ গী মনুংদা জেনেরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------